# লাইনিংথৌ থাংজিংগী খুভমলেন ওইরিবা থাংজিং চীংজাওদি মতিক ময়াই লৈবা লাইফমলেননি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*থাংজিং চীংদোন্দা থাংজিং কোয়রেন নিংথৌগী খুভম লৈবনে/শঙ্গাই ইস্ফম লৈবনে/মনাক্তা লাইফম লৈবনে/মনাক্তা লাইফম লৈবদো শঙ্গুরৈ পোকপী কৌএ/নূঙ অহুম থারিবনে/নূঙ অমদি থাংজিংগী য়াই নল্লিবনে/নূঙ অমদি সনাগী কাংচুপ অমা সনা থাঙ অমা সনাগী চৈশু অমা অসি নল্লিবনে, অমদি সনা লুপা পোকপা নূঙনে/মনাক্তা উ তরু শিদবা উপান হৌরিবনে/সনা খোংনাং অমসু হৌরিবনে/... থাংজিং নিংথৌগী চীংদোনদি মতোন তরেৎ শুবনে/সনাগী শঙ্গাই লৈবনে, চীংদোন অমদা নূঙগী তাংবন লৈবনে/অদুগী মথক্তা থাংজিং নিংথৌনা মমায় নোংচুপ লাইচি পাংনা ফমদুনা লৈরিবনে।*

ঐখোয়গী থাংজিং চীংজাও অসি অসুক্কী মতিক মরু ওইবা লাইফমলেননি হায়বসি ***চীংলোন লাইহুই, চীঙ্গোইরোল***নচিংবা পুয়াশিংদা শীংথারিবসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। লমদম অসিবু পনঙাক্লিবা ঐখোয়গী চীংশাং চীংজাউশিং অসিবু ইচম চম্না লৌবা য়ারোই। ঐখোয়গী পুৰারী, নাৎ-কলচর, লাইনীং-লাইচৎ, লৈঙাক্লোন অমদি শেন্মীৎলোনগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লিবসে ঙসি ঙরাংখক্তগী নত্তে, আ য়েলহৌঙৈদগীনি। অৰাং কৌব্রু অশুপ্পা লাই ময়াম খুন্দা অহানবা ওইরিবা কৌব্রু চীং লাইফমলেননি। পুৰারীগসু শাগোন্নরিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী খুভম লেঙদনা লৈরিবনি। নোংমাইচীং চীংসু অদুমঙায় নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পান্থোইবীনা মতিক মঙান নাইনা পানখিবা অমদি তাউরোইনাই, লাই নামুংবী, মারহল, কৌবরেল, ৰাংব্রেন, থাংজিং, খোরীফাবনচিংবা লাইয়াম লাক্কুনা হরাউনা তিনখিবা লাইফমলেননি। কয়াদা মতিক মঙাল লৈখ্রবা নোংমাইচীংনো! লাইনিংথৌ মার্জিংগী খুভম লৈরিবা হৈঙাং চীংনি। ফুনান চীংগী চীংদোন্দা লৈবা কোম অমদা থাগী মশক ওইবা লাই লৈ হায়বগী থাজবা থম্বীরম্মী। চীংকোক্তা তোকপগী মশক ওইবা লাই, চীংমৈদা লাইরেম্মা অমদি চীংখোঙদা ফুধান তেলহৈবগী খুভম লৈবা ফুনান চীংনি হায়না তাকপীরল্লিবসিবু তরাই তরাইনা লৌবা য়াগদ্রা? লোকপা চীংগী চীংয়ায়দা পাখংবা লাইরেম্মা অনীগী খুভম লৈরম্বগী ৰাফম থম্বীরল্লি। মতৌ অসুম্না লমদম অসিগী চীংজাউ চীংশাংশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী কয়াগী খুভম থম্বীরম্মী। মালেমদা ইমা লৈবাকপু মশক তাক্লিবা শিরোই লিলিগী মশাইকোন ওইরিবা শিরোই চীংনি, নুংশিদ্রনে! ইপা ইপু অথৌবশিংগী নীংশিং মমি মুৎনাইদনা লৈরিবা লাইমতোন চীংজাউনি। মতম অমগী মশোং চাউখ্রবা বৃটিশনি। অদুবু ইপা ইপু অথৌবশিংনা করিসু নাচুংবিদনা অকি-অখং য়াওদনা লাম্থেংনবা ঙমখিবদো লাইমতোন চীংজাওদনি। ঐখোয়গী পুৰারীগা শাগোন্নরিবা মরু ওইখ্রবা মফম অসিবু ঐগীনি, নঙগী মাগী নত্তে হায়ফম থোক্লিব্রা?

মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী চীং কয়াগী মনুংদা মরু ওইবা চীং অমা ওইরিবা থাংজিং চীংজাউনি। মণিপুরী ফোকলোর মরু ওইনা মিথ, লেজেন্দনচিংবা অমদি কলচরদা মফম চাউনা কন্দুনা লৈরিবা চীংনি। মদুদগীসু হেন্দোক্কুনা মোইরাং হৌরক্লোন অমদি পুৰারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবনি। চীং অসিদা নূঙ মখল তরেৎ ফংবা অমদি সনা, লুপা, শেল, তম্ফা, কোরী, পীথ্রাইনচিংবা লৈবগী ৰাফম চীংলোন লাইহুই পুয়ানা হায়রি। অসিগুম্বা থাংজিং চীংজাউ অসিদনি খম্বা-নোংবান অনীনা লাইনিংথৌ থাংজিং হরাওবদা লাংননবা লৈ হেকপা চৎখিবদু। মেলৈ লৈস্না, য়েরূমলৈ, খোঙ্গল, লৈশংলেন লৈরাংশিং থাংজিং মশাইকোন্দগী খম্বনা হেকচদুনা লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্মা থাংজিং কোইরেল লৈমনা থৌজানবীখিবগী নুংশিরবা ৰারী খম্বা থোইবী শৈরেংদা শৈথারিবনি। লৌনম চাওবা নোংবানগী ৰাহৈশিংবু থাজরুবনা অদুক্কী মতিক ৰাং চাউখ্রবা থাংজিং চীংজাউ অদুদগী লৈ লাংননবা লৈরাং অমত্তসু হেকপা ফংদবনা চোপ্পা ইকায়বা নংলদ্রা হায়বগী ৰাখলনা লাইওইখ্রবা পলেম পন্থৌ অনীগী মফমদগী লৈরাং পীনবীয়ু হায়না নিজরকখি। মতম অদুদা লাইনিংথৌগী থাংজিং কোইরেল লৈমনা মান্তক ইমাগী শক্লোন লৌদুনা খম্বগী মীৎমাঙদা থোরকখি। মপাইবুংঙো পুরেম্বনা শেম্বীরম্বা লৈফম অদুনি হায়দুনা খম্ববু পাইথলোক য়ৌনবা লমজিংবীরম্লগা ইমা অদু মফম খঙদনা মাঙখি। লৈরাং অমত্তসু উরক্কুবা অমদি মান্তক ইমা অদুবু কৌজবসু তাবীদ্রবনা লোক মপান্দা হৌরিবা ৰাংথোই চাউথোইবা উনিংথৌ মখোঙদা তৌফম খঙদনা ককঙাওননা লেপ্লম্মী। মতম অদুদা ক্বাক্তারোমদগী ফুক্কৎলকপা নুংশিৎ মখল মঙানা থাংজিং চীংজাউ হুমদোক্লগে মতাগুম্না শীৎলকখি। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্কুদা লৈরাং লৈনম ফাওরকখি। লৈনমগী খোঙ্গুল লীরুবা মীত্তুনা নিংথিজরবা উরৈ মখল মথেনশিংনা উতোনথক্তা শাৎপদু থেংনরুরে। লৈরাংশিংগী শাৎফম মফমদুবু খঙহন্নবা চীংঙু মানা শীনবা থৌশিল ওইরম্লে, নুংশিৎ মাসু নেমথখ্রে। লাইনিংথৌনা চানবীরবদা পাম্বৈ মথং মথং চোঙথোরকখি। ৰাং চাউরবা উনিংথৌ পাম্বী অদু কাননবা থাক থাক নাইনা হক্কুনা থম্বীরম্মী। মপাইবুংঙো পুরেম্বগী মরুপ মপামক্লি খন্না খুরুমজরগা উথক্তা কাদুনা উরৈশিংদু হেকচখি। থাংজিং কোইরেল লৈমগী থৌজান্দগী ৰাংলবা উতোন্দগী থাদরকপা লৈরাংশিংদু মপোপ কায়দবী তদেক তদেকপী ওইরম্মী। লায়র লমজা খম্বনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী থৌজাল ফংজখিবা মতিক ময়াই লৈরবা লাইফমলেন চীংজাউ অসিদা থাংজিং কোইরেল লৈমগী সনা শঙ্গাই লৈ হায়বসি চীংলোন লাইহুইনা তাক্লি। মদুনসু লোইদে, সনা সঙ্গাই অসিগী মনাক্তা পুখ্রি অনী লৈবগী ৰাফমসু পল্লি। পুখ্রি অনীদুগী ঈশিং থক্লুরগা অমনা লাই ওইবা অমসুং অতোপ্পা অমগীনা মী ওই হায়। লাইনিংথৌগী সনা সঙ্গাইরেন মনাক্তা লৈবা পুখ্রিগী মোইবুং মচিনগা পাঙ্খক ওইবা মচিন্দগী চেন্থরকপা ঈশিংনা মোইরাং তুরেলগী হৌরকফম মরূনি হায়না থম্বীরি। মসিদবু ইচম চম্বা থাংজিং চীংনি হায়বা য়ারিব্রা?

ঙসিদি দেমোক্রেসি লৈঙাক্লোন চৎপা, লাইনীং লাইচৎ খুদিংমকপু চপ মান্নবা থাক্তা থল্লিবা লৈবাক্কী ফিবান্নুংদা লৈবা মণিপুরনি। তম্পাক্লমদসু ওইসনু ৰাংল চীংদোন অসুকপা উমং-ৰামংনিবু হায়গেরা, পাৎ তুরেলদবু ওইরসু ঐনা ঐনা থাজজবা নীংজবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী খুভম লৈরিবা মফম্বু ঙাক শেঞ্জবা অমদি ঈৰাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপদা কনাগুম্বা খরনা ***"ঐখোয়গীনি নখোয় চঙবা য়ারোই"*** হায়রক্লবদি ৰা য়াম্না কায়নরক্কনি। ঐখোয়গী অশেংবা অচুম্বা পুৰারী, নাৎ-কলচর অমদি লাইনিং লাইচত্তা শীংনবনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। অমরোমদা, লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংবু ঈৰাৎ থৌনিজরিবসে মণিপুর মীয়াম পুন্নমক্কী য়াইফনবনি হায়বসিমসু খঙমিন্নবগী মথৌ তারকই। লমদমসিবু ঙাকপী শেনবীরিবা চীং পুন্নমক লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কীনি। মদুদগীসু হেন্দোক্কুনা শা-ঙা, উচেক-ৰায়া, তীল-কাঙ, ৰাপান-উপান, হৈপান-লৈপান, মনা-মশিংনচিংবা পুন্নমক্কী শাইদাংফমনি। মসি খঙবনসু ওইরম্বা য়াই, লাইনিংথৌ লাইরেম্বী কয়াগী খুভম থম্বীরল্লিবসি। চীংজাউশিংগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবা থৌশিল থৌরাংনি হায়দবা ঙম্লোই। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী ৰাংলবা ৰাখল্লোন অদু ঐখোয়না মচেৎ খজিক্তং ওইরবসু লৌশিনবা ঙম্নবা হোৎনবগী মথৌ তারক্লে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৰাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## থাদোকপা শগোলশিংনা অয়েৎপা পীরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই অঙোম লৈকায় অমদি কংলা শঙ্গোমশঙ লৈকায় অনীগী মরক্তা লৌপাক অমা লৈ। লৌপাক অসিগী ময়ায়দা অয়ূক্কী মতমদা ৰাকিং চৎপা য়াম্না নুংঙাইবা নুংশিৎ-নুংশা য়াম্না শেংবা লম্বী অমা ফাওরি। হায়রিবা লম্বী অসিদা অরাপ অরাপ্পদগী নহামচাশিংসু ৰাকিং লাকপা মরক মরক্তা উই। মফম অসিদা ৰাকিং চৎপা অসি লৌবুক লম্ধাং ওইবা মরম্না য়াম্না নীংতম্না মী পোং ইওক ওক্লদনা চৎপগী নুংঙাইজবা ফংজৈ। অকোয়বগী চীং-মান অমদি অপাইবা লৈচিল মপৈ কয়া কোয়না তাম্না য়েংখিবদা য়াম্না ফজনা উবা মফমনি। লিরি লিরি শিৎপা নুংশিৎ ঙাক্তা ফংবা, উফুল ৰাইফুল থাংদবা অমদি গাড়ী অচৌবা মচা অমত্তসু চেন্দবা নুংঙাইরবা শংবান্নবা মফমনি।

হায়রিবা মফম অসি ঙসি ঙরাংদি য়াম্না নুংঙাইতবা অফা অপূন্নবা মফম অমা ওইখৎলক্লে। হন্দক নোং চীং কন্না তারুবা মনুং অমদি অমুক খরা খরা হাংলকপা মতম অসিদা ঙাইহাক ৰাকিং চৎনবদা মপু মশক-মশা খঙদবা শগোল তরামাথোইমুক ময়ূম হঞ্জিনবা নাইদনা মফমদুদা অসুম নৈদুনা লৈবা থেংননরে। ৰাকিং চৎপা নুপী অঙাং অমদি মরু ওইনা ঐ শগোল অসি তোয়না থেংনবা অঙাং ওইরিঙৈদগী ষণদৌনা লোয়নরকপা মবুকচেল খঙনবা শা অমা ওইদবনা ঐদি ইকিদা কিজবনা লোইরে।

মতম খরগী মমাঙদসু শগোলনা লম্বী চৎচবা মীওই অমদা কাওদুনা লৈখিদবগী ৰাফম অমসু পাউচেদা য়াওদুনা তানবীখ্রবদুনি। কনানা তম্বা ঙমগনি শা-ঙা হায়বসিদি শাবূক ঙাবূক হায়নরিবনি, নোংমা মফম মরাং খঙদনা ৰাকিং চৎপা মী কোয়তান তান্নরগা কাওরকপা তারবদি শিফম-নাফম হেক্তা খঙলোইদৌরিবনি। ইকুই কুইদনা নহানমক্তদা শগোলশিং অদু খরা লাপ্পা লৈনৈ চৎপা য়ানি হায়দুনা ঐনা মখোয়গী মরক খায়দুনা লাম্থোক্লবা লাক্লরুবা মতমদা ঐঙোন্দা শগোল অনীনা নাক য়েৎতগী চঙশিল্লক্কুনা ইন্নরকপদা পাখৎপনা লৰাই শাৎলুরে। ঐসু চেল্লুরবদি মখোয়না তান্নরক্কনি হায়বগী ৰাখল অমা খুদক্কুদা লাক্কুনা চেনবা মালহন্দবীদা খোঙকাপ চাউনা চাউনা থাংলগা মখোয়দগী লাম্থোক্লবা লাক্লখিবদু ঙাইহাক্কুদা হুমাং কাংই। শগোলনা ঐবু তানবু তান্নরে মখোয়না অদুম লাকচরনি। মখোয়না চঙশিল্লক্তনবা থৌনা ফনা ওনশিল্লগা লেপ্লগা লৈরে, মখোয়না চঙশিল্লকপসু য়াই নৎত্রগা চঙশিল্লক্লগা কাওদুনা শিবসু য়াই তম্বা ঙমদ্রে। মতম খরগী মমাঙদা তেমখায়বিখ্রবা তরাকোঞ্জিল চীংগী চীংফম ফাওদুনা চৎলিবা ঐগী ৰাকিংগী লম্বী অদুদা মশোং ফল্লবা শগোলশিংনা লূকথরগা লাপ্পা শজিক চাবা উরগা হৌজিক্তি ঐগী নুংঙাইখ্রবা মফমদু ফাওদুনা ইতোমতা ৰাকিং চৎপা কিজরে। পুকচেল চাউরবা শগোল লোয়বিরিবা ইচিল ইনাওশিংনা য়ারবদি শগোলশিং অদু য়ূমদা নিংথিনা লোয়বীবা অমা নৎত্রগা মফম চাবা শঞ্জাবুং অমদা মপাল থোকহনবীদনা লোয়বীনবা হায়জরি।

অমরোমদা, ঐনা শগোলবু য়াম্না কিগল্লুবগী ৰা ঙাকসু নত্তবীদা, নুমিদাং থাদোকপা শগোলশিংনা মায়কৈ অসোমগী ইঙ্খোলদা অহিং চঙ চঙদুনা কোবি, হৱাই, মনা-মশিং, এঞ্জাং-নাপি চাথোকপা, নৈখায়বা তোয়না তৌরি। হায়জরিবা ৰাকৎ অসি তাবীদুনা অৰাবা অসি অথুবদা কোকহনবীয়ু হায়না অমুক্কসু হন্না নোল্লুকচরি।

***অদোমগী - য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার***
কংলা শঙ্গোমশঙ, মখা লৈকায়

## হিন্দি নমদুনা তমহনগনি হায়বদি য়ানীংদে, অদুবু...!

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হিন্দিবু নমদুনা ক্লাস টেন ফাওবা তম্লগদবনি হায়রক্লিবসি করি মরমদগীনো হান্না খঙদোকপা অমা চঙই। মরমদি খঙদনা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগা ওইরমগনি হায়দুনা হেক্তা ৰাখলনা পংশা শাজিন্দুনা তোকঙা শন্দোকপগুম্না পাউচেদা পংইদা ইবসু মরম খঙলগা ইবিয়ু। হায়নবা লৈ, শান্তিদাস গোসাইনা রমান্দি ধর্ম্মবু নমদুনা চৎহনখি হায়নবগুম্না তৌরকপদি য়ানীংলোই। ইন্দিয়াগী মফমশিংদা ট্রেনিং চৎলুগদবা মহৈ-মশীন তম্লুগদবা মণিপুর মচাশিংদি হিন্দি লোল ঙাংনবা ঙমদ্রবদি খরদি ৰাগদবা মাল্লি। মরম অসিনা ইন্দিয়া মচাশিংগা ঙাঙনবা ঙম্ননবা হিন্দি লোল খরদি খঙবা ফৈ। মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গী ইরোলনা কৈদৌনুংদা ঙাঙনরুবা য়ারোই। য়াম্না লুরিবা ৰাফমদি, ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈসি হান্না অমুক্তা মীপান তাংদনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনখিসি। ঐখোয়সি মীরমদগী মীপাল তাংদনা হিংবা ঙমদ্রিবনি। লৌ উদুনা, ইঙ্খোল কোয়দুনা শুনীংবা নোম্লিংবা মীদি কয়া উদ্রে। লৌ উগদবা লৌফম কয়া অমসু য়ূম শাজিনবা লেপত্রি। মীপান তাংদনা লৈনবা শুনবা, নোম্নবগীদমক্তা কোল কারখানা, ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রি লোয়ননা মহৈ তম্ফমশিং লৈতে। অদুনদি ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈসি ইন্দিয়াদা ঙারগা হিংবা তাবনি। হন্দিয়াদা ঙারগা হিংনবা হোৎনরকপদগীনি ঐখোয় মণিপুর মচানা ইন্দিয়াদা চৎলগা মহৈ তম্লুগদৌরিবসি। ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল লোল হিন্দিবু খঙদ্রবদি খরদি ৰাগদবা মাল্লি।

মরম অসিনা ক্লাস টেন ফাওবা হিন্দি তম্নীংদ্রবসু হিন্দি ঙাঙনবা ঙম্নবা খরদি তম্বা তারিব্রা!

***অদোমগী - সিনাম ইবোচৌবা,*** হৈরাঙ্গোইথোং চিংথাম লৈকায়।

ষ্টেটকী পাউ

## অরোং তুরেল মপান্দা লম খোপচিনবশিং তকথোকপা হৌখ্রে

থৌবাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দি সীগী লমজিং মখাদা এস দি ও থৌবাল এম রঞ্জিতা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি হাওবিজম জোগেসচন্দ্রা অমসুং ৰাটর রিছোর্স দিভিজন-৩ গী এগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়র য়াওনা থৌবাল চরাংপাৎকী অরোং তুরেল খোঙবালদা লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিল্লগা য়ুম অমদি দুকান শাজিল্লম্বশিং ঙসিদগী তকথোকপা হৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী অহন্থেম সুভাসনা ফোঙদোকখিবদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ষ্টেট লেন্দশিংদা লম খোপচিল্লগা য়ুম অমদি দুকান শজিল্লিবশিং মশা মশানা খঙনা হান্না শিদোক্কদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা পীরিবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা শিদোক্ত্রবদি লৈঙাক্লা মখা তানা শিদোকপগী থবক চথবা হৌরগনি। লৈঙাক্লা য়ুম, দুকান শিদোকপা মতমদা মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফাওবা তৌরোইদবনি। লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি হায়খি।

এস দি ও রঞ্জিতানা লুচিংদুনা চথখিবা ঙসিগী ড্রাইভ অদুদা পুন্না ইল্লিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিন্দুনা শারম্বা বিল্ডিং ৪৯ তকথোকখি।

## ইন্টরনেসনল বাইওদাইভর্সিটি দে জিটসি মীট ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি, থৌবালনা শিন্দুনা জিটসি মীট ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ইন্টরনেসনল বাইওদাইভর্সিটি দে পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি, থৌবালগী চ্যেরপর্সন বিনি ঙাঙোম, দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি, থৌবালগী সেক্রেটরি বিনেশ্বরি মাইবমনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়ারগা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এল এ সী হৈরোক্কী কোওর্দিনেটর দল্লিয়ু জিবননা ৱেলকম এদ্রেস পীখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ৰা ঙালঙলদুনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি, থৌবালগী চ্যেরপর্সন বিনি ঙাঙোমনা ফোঙদোকখিবদা, মহৌশাগী খল কায়নবা মতম পুম্বদা ঐখোয় মীওইবনা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী ওইরকখিবা লমদম অসিগী মশক্তা অদুক্কী মতিক অহোংবা লাকখ্রে। লমদম অসিদা চাক্তাবা লাক্লম্বা ফজরবা মখলগী উচেক কয়া ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে।

মহৌশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মালেমদা লৈরিবা মীওইশিং তোঙান তোঙানবা মখলগী অৰাবা কয়া থেংনবা হৌরক্লি। কা হেন্না শাবা অমদি ঈংবনা মরম ওইরগা থৱায় পানবা পুন্সি কয়া অরেম্বদা শিহনখ্রে। হৌজিক হৌজিকসু মালেমগী শাবগী চাং অসি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। নোংজু পন্থাগী মতম য়ৌদ্রিঙৈদা নোং কা হেন্না চুবদগী ঈচাও থোকপা হন্দক্তা ঐখোয় খুদিংমক্না থেংনরবা অমদি উরবা ঙাক্তনি। মসিদা নত্তনা লমদম অসিদসু শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। অদুবু হায়রিবশিং অসি মায়োক য়ানবা হোৎনবদা মীওই খুজোক খরনা ঙম্লোই। মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না মান্নবা ৰাখল্লোনদা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা অদু লৈ হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি, থৌবালগী সেক্রেটরি বিনেশ্বরি মাইবমনসু পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী মতাংদা কান্নরবা ৰাফম কয়া মীয়াম মমাংদা ফোঙদোকখি।

## পুঙ ১২ দগী ৩ ফাওবা মৈ মুৎকনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

১১ কে ভি ককৱা ফিদরগী মখাদা লৈরিবা কঞ্জুমরশিংনা হয়েং নুংথিল পুঙ ১২ দগী নুংথিল পুঙ ৩ ফাওবা জঙ্গল কত্তিংগী থবক থৌরম চথুগদবনা মরম ওইরগা মৈ ফঙলোই হায়না আই ঈ দি-৩, এম এস পি দি সী এলগী দিপ্যুটি মেনেজরনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা অসিগীদমক মীয়াম্না ৰারৌদনবা অপিল তৌরক্লি।


## ꯍꯦꯜꯄꯔ / HELPER পামজৈ

য়ূমগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংবীরগা য়ূমদা পূন্না লৈমিন্নবা য়াবা মশাগী চহী ৪০ গী মথক ওইবী Helper অমা অথুবগী পামজৈ। পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

**Contact : # 7005593198**
**# 9366608424**
**# 8787527427**

HL-P/2786/24, 25

## ꯃꯥꯡꯂꯦ / SALES CERTIFICATE LOST

I have lost my Sales Certificate of TVS Jupiter, Green Colour bearing Engine no. DGHKK3X01804 and Chassis no. MD626E40K3K66609 on the way between Khoyathong and Lamsang on 20/05/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thoidingjam Danny**
S/o. (L) Th. Ibotomba Singh
Khurai Thoidingjam Leikai

HL-P/2584/24

## ꯃꯥꯡꯂꯦ / SALES CERTIFICATE LOST

I have lost my Sales Certificate of TVS-NTORQ125, Silver Colour bearing Engine no. AG7NK2301590 and Chassis no. MD626AG76K2N02558 on the way between Lamlong and Thangmeiband on 20/05/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thoidingjam Raikumar**
S/o. Th. Rajesh
Khurai Thoidingjam Leikai

HL-P/2584/24

## ꯊꯕꯛ / থবক কৌজরি / EMPLOYMENT NEWS

মশাগী চহী ১৮ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপা অমদি নুপীশিংনা apply তৌবীরবা য়াগনি। ফমশিং অদুদি Security, Driver, Helper/M/F হায়রিবা ফমশিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজবনি।

Gunman গীদি তলব লিশিং ১০,০০০ দগী হৌজগনি। Cook, Chowkidar, Gardener, Warden, Reception and Office Staff মশাগী Aadhaar Card অমসুং Educational Qualification document support তৌবীরকউ।

Sd/- **Social Security Guard**
Uripok Lai Khurembi
Phone : 7629835413 / 6009600647

HL-P/2785/24

## ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ / GENERAL BODY MEETING গী পাউজেল

Padma Ratna English School, Kakching গী Parents & Guardians Association গী General Body Meeting (Committee reformation) লাক্লিবা তাং ২৯-০৫-২০২২ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা Library & Information Centre গী Auditorium Hall দা পাঙথোকচগনি।

মরম অসিনা P.R.E.S. গী Parents অমদি Guardian খুদিংমক্লা শোয়দনা শরুক য়াবীনবা হায়জরি।

Sd/- **M. Jayantakumar Singh**
President, PGA, P.R. English School,
Kakching

HL-P/2583/24



[illegible]
**TRAIN YOURS CHILD BRAIN**
**MID BRAIN ACTIVATION COURSES**

জপানগী Technology অমগী মতেংনা Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা Mid Brain Activation Courses অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৰাখল, বুধি লৌশিং থৌহনবা অমদি Super Power Brain ওইহনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী অখন্নবা counselling অমদি motivation কয়ানা, ফজবা লমচৎ, হায়বা-ইনবা, মরম মোকপা অঙাং অমা ওইহনবা ঙম্বদা নত্তনা মীথোই-মীহেনবা, পূন্সিগী অচৌবা মায় পাকপা মীওই অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। Student খুদিংগী 100% Guarantee পীজগনি। অকক্লবা সিট মশীং ওইবনা ঙসিমক Call তৌবীরক্কুনা অকুপ্পা মরোল খঙবীবগা লোয়ননা Book তৌবীহৌরো।

**Sd/- Narajit Moirangthem**
**MD, Genius Mind Tech Imphal**
**# 8787562714 / 9862287481**

HL-P/2586/24

**[illegible]/অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্নগা তোকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙদা নাবা অমদি শাগৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা, অমাংথোঙদা চিক্লক্কনি খনবদা য়াম্না ৰাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হান্নগা তোকপা, খোঙ মপূং ফানা হামদোরক্তবনা মরম ওইদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূক নুংঙাইতবা, পূকচেপ নাম্মা নাবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙ ময়াদা তৎপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না কাপথোরকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৰাৎশিল্লকপা, অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা নাবা অমদি শাগৎপা, লৈকাইগী অশেম্বা হীদাক খরা চারুবদগী অমাংথোঙদা পোমথোরকপা নাবা অদু হেঞ্জিনবা, নোংম-নোংমগী হকচাং অসি শোন্থরকপা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, হকচাংগী ইন্দ্রি অসি শোনবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Ratan Singh**
Heirok

HL-B/7639/24

## ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Lainatinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
**(International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7640/13/5-10/6 (alt)

## ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ / পাউজেল

মাইবম শাগৈচাশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মাইবম শাগৈগী ওইবা অহানবা পুয়া পুথোকখ্রবগী মতুংদা অনীশুবা ওইনা পুথোকচগদৌরিবা পুয়া অসিগীদমক্তা Shri Maibam Dhanabir Singh, Palace Compound, Advance Hospital গী Opposite তা Office অমা হাংজরে। হায়রিবা Office অসি Sunday খুদিংগী নুংথিলগী পুং ১.০০ - ৩.০০ ফাওবা হাংজগনি। শাগৈচাশিংনা মখা তানা পুয়া শমথবা অসিদা য়াওবিরনবা অমদি অকুপ্পা ৰারোল খঙবিরনবা নীংশিংজরি। লোয়ননা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংবীনবসু শাগৈচাশিংদা হায়জরি।

Contact No.
1. Maibam Nilachandra - 9862079925
2. Maibam Rajendro - 9862840047
3. Maibam Dhanabir - 9612170140

পাউজেঞ্জরিবা ঃ
**1. Maibam Rajen - 84s14822949**
**2. Maibam Bijoy Meitei - 8119944051**
**Convenor, Secretary**
**2nd Puya Edition**
**Maibam Sagei Apokpa Thougal Lup**
**Kangleipak, Manipur**

HL-P/2791/24, 26




HL-P/2734/24-27